
# সরিতানা নুপীগী, সরবোনা নুপাগী সেনিয়র বোদি বিল্ডিংদা গোল্ড মেদল লৌরক্লে


সরবো মীতৈ (গোল্ড)


সরিতা দেবী (গোল্ড)


অরাম্বম বোবি (শিলভর)

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ ঃ

থা অসিগী ১১ দগী ১৩ ফাওবা মহারাষ্ট্রগী রোহা রাইগাদতা পাঙথোকখিবা ৯ শুবা সেনিয়র মেন অমসুং ৱিমেন'স বোদি বিল্ডিং অমদি মরিশুবা মেন এন্দ ৱিমেন ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফ্যের এসোসিএশনগী বোদি বিল্ডরশিংনা চাউনা মায় পাক্লক্তুনা গোল্ড মেদল অনী লৌরকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অদুগী নুপীগী বোদি বিল্ডিংদা টি ঐচ সরিতা দেবীনা গোল্ড মেদল লৌরক্তুনা লমদমসিগী মিংচৎ পুরকখি। লোয়ননা কে রেবিকানা মরিশুবা পোজিশন তারকখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা সরবো মীতৈনা কেজি ৭৫ কী কাঙলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌরকখি। লৈবাক অসিগী মশক নাইরবা বোদি বিল্ডর অরাম্বম বোবিনা কেজি ৮০ গী কাঙলুপ্তা অনীশুবা পোজিশন তারকখি। মিষ্টর মণিপুরগী টাইটল ফংখ্রবা নাওরেম লন্দন্না চেম্পিয়নশিপ অদুদা বেষ্ট পোজরগী মনা ফংলকখি। টি ঐচ নরা অমসুং এল নেতানা কেজি ৫৫ গী কাঙলুপ্তা টেন ফাইনেলিষ্ট ফাওবা চঙবা ঙমখি।

নুপাগী কেজি ৮০ গী কাঙলুপ্তা টি ঐচ দয়ানন্দনা অহুমশুবা পোজিশন তারকখি। অদুগা এম দি নৱাজ খাননা কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখি।

টি ঐচ সরিতা দেবীনা নুপীগী বোদি বিল্ডিংদা গোল্ড মেদল লৌরকখিবা অসিনা লমদমসিগী নুপীশিংসু বোদি বিল্ডিংগী লমদা অচৌবা ফিদা অমা কনবা ঙম্লে হায়বা তাক্লে। মণিপুরগী বোদি বিল্ডরশিংনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা চাউনা মায় পাক্লকপদা ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফ্যের এসোসিএন্না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# আই জি ও ওইনাম্মা রাজবাপু মেমোরিএল জুনিয়র ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১৯ ঃ য়ঙ মেন দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেশন (ৱাই এম দি ও) হৈরাঙ্গোইথোং ৱেষ্টনা শিন্দুনা হৈরাঙ্গোইথোং ভোল্লিবোল গ্রাউন্দদা চথরকপা মরিশুবা এল রাজবাপু শর্ম্মা মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল জুনিয়র বোইজ কেশ প্রাইজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা আই জি ও ওইনাম্মা ৱিন্নর ওইখ্রে।

লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা ভোল্লিবোলগী টিম ৮ না গ্রুপ ২ দা শরুক য়াদুনা হৌখিবা মার্চ ১৪ দগী চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা আই জি ও ওইনাম্মা ৱাই এম দি ও টিম এস হৈরাঙ্গোইথোং সেট ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা ৱিন্নর ওইখ্রবা আই জি ও ওইনাম্মা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশিং ২০ গী শেলগী মনা ফংখি। ৱিন্নরগী মনা অসি লৈখিদ্রবা এল রাজবাপু শর্ম্মগী মিংদা এল গোকুলানন্দ শর্ম্মনা কৎলকপনি। রন্নর্স-অপ তাখ্রবা ৱাই এম দি ও টিম এস হৈরাঙ্গোইথোংদা লুপা লিশীং ১০ গী শেলগী মনা পীখি। মনা অদু লৈখিদ্রবা টি ঐচ ধনচন্দ্রগী মিংদা টি ঐচ দিননা কৎলকপনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা আই জি ও ওইনাম্মা ৱাই এন দি ও টিম এসপু সেট ৩-১ (২১-২৫, ২১-২৫, ২৫-২০, ২৫-২২, ২৫-১৮) দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অদুদা আই জি ও ওইনামগী অমিরনা বেষ্ট স্পাইকর তাখি। ৱাই এম দি ও টিম য়ু হৈরাঙ্গোইথোংগী ইন্দ্রজিৎনা বেষ্ট সেট্টর তাখি। টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট দিসিপ্লিন প্লেয়রনা আই জি ও ওইনামগী ধমেননা তাখি। লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রসু আই জি ও ওইনামগী ও জেফ্রিনা তাখি। ইনি দভিজুএলদা মনা ফংখ্রবা শান্নরোয়শিংদা লুপা লিশিং ১/১ গী শেলগী মনা পীখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ফাইনেল মেচ লোইশিনবগী থৌরমদুগী মাঙওইননা লৈখিদ্রবা এল রাজবাপুগী মফমদা মিনিট অমা তুমিন্না লেপ্তুনা ঈকাই খুম্নবা উৎখি। টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবা টিমশিং অদুদি ৱাই এম দি ও টিম য়ু, আই জি ও ওইনাম, বি ৱাই সি চুরাচান্দপুর, য়ু সি ৱাঙ্গোই লাইফ্রাকপম, গ্রুপ বিদনা ভি এস এ মোইদাংপোক, এন ৱাই ভি এ নম্বোল নাওরেম, এস য়ু দব্লিয়ু সি নম্বোল ইরেংবম অমসুং ৱাই এম দি ও টিম এস হৈরাঙ্গোইথোংনি।

# এম সি এ এলিট ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা ৱাই দব্লিয়ু সি লংথবাল, প্লেট ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা ঈ এস য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম অমসুং লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদদা চথরিবা ৩ শুবা এম সি এ প্লেট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অমসুং ৩ শুবা দব্লিয়ু প্রহ্লাদা অমসুং দব্লিয়ু রমানন্দা এলিট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা এলিট ক্রিকেট টুর্নামেন্টদা ৱাই দব্লিয়ু সি লংথবাল অদুগা প্লেট ক্রিকেট টুর্নামেন্টতনা ঈ এস য়ু ৱাংখৈ মায় পাকখ্রে।

ঙসি লুৱাংশঙবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা এলিট ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী মেচতা ৱাই দব্লিয়ু সি লংথবালনা মোদেল ক্লব চীংঙামখা ৱিকেট ১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা মোদেল ক্লব চীংঙামখানা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ৩১.৪ মায়োক্লখিবদা শুপ্পনগী রন ৬৯ খক লৌরগা ওল আউট ওইখি। মোদেল ক্লবকী বেটসমেন ভাইকিংনা রন ১৩ (২১), ইবোয়াইমনা নোট আউটদা রন ১২ (৪৮) লৌখি। ফিল্ডিং তৌখিবা ৱাই দব্লিয়ু সিগী বোল্লর কিষন্না ৱিকেট ৬, প্রিয়োকুমারনা ৱিকেট ২ অদুগা বিশ্বাসনা ৱিকেট ১ লৌখি।

মোদেল ক্লবনা থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীরদুনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই দব্লিয়ু সি লংথবালনা ওভর ৩২.৫ মায়োক্লখিবদা ৱিকেট ৯ আউট ওইরগা রন ৭০ লৌদুনা মোদেল ক্লবপু ৱিকেট ১ দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা ৱাই দব্লিয়ু সি লংথবালগী বোল্লর কিষন্না ৱিকেট ৬ লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

অমরোমদা ৩ শুবা প্লেট ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী হয়েং ফোর্স ক্ষেত্রিগাও অমসুং পি এস সি খুয়াথোং অনীনা শান্নগদবা মেচ অদু করিগুম্বা খুদোংচাদবা খরদগী য়ৈথোক্লে হায়রি। মরম অদুনা হয়েংগী মেচ লৈররোই।

ঙসি লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ৩ শুবা এম সি এ প্লেট ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা ঈ এস য়ু ৱাংখৈনা কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রিগাও ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা কে আই ৱাই সিনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২৩ মায়োক্লদুনা রন ১০১ লৌরগা ওল আউট ওইখি। কে আই ৱাই সিগী অবদুর রহমন্না রন ১৬ লৌখি। ফিল্ডিং তৌখিবা ঈ এস য়ুগী বোল্লর চিত্তরঞ্জন্না ৱিকেট ৫ অদুগা শঙ্করনা ৱিকেট ২ লৌখি।


কে আই ৱাই সিনা থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীরদুনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা ঈ এস য়ু ৱাংখৈনা ৱিকেট ৩ আউট ওইরগা রন ১০২ লৌদুনা কে আই ৱাই সিবু ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীখি। মায় পাক্লবা ঈ এস য়ুগী চিত্তরঞ্জন্না ৱিকেট ৫ লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

# কে পি এস সি ককচিং অমসুং নেরোকা শঙাকফমগা ঙসি ফাইনেল শান্নরগনি

*ইম্ফাল, মার্চ ১৯ ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএ-শনগী মিৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ককচীংনা শিন্দুনা দি এস এ ককচীংগী প্লে গ্রাউন্দদা টিম ১২ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চথরিবা ১২ শুবা দি এস এ ত্রোফি নাওরেম ভুবোন মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেশন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ফাইনেল হয়েং নুংথিল লমদমসিগী মমিং লৈরবা টিম অমা ওইরিবা নোর্থ ইষ্টর্ন রিওর্গেনাইজিং এন্দ কলচরেল এসোসিএশন (নেরোকা) শঙাকফম অমসুং কে পি এস সি ককচীং অনীনা শান্নরগনি।*

*ঙরাং পাউ চে অসিগী লমাই অসিমক্তদা দি এস এ ত্রোফিগী ফাইনেল ক্লাসা কৈনৌ অমসুং নেরোকানা শান্নরগনি হায়না হায়খিবা হেদ্দিং অদু ক্লাসা কৈনৌগী মহুত্তা কে পি এস সি ককচিং হায়না হায়গদবনি। লোয়ননা মেচ অদুগী হাফ মতুং ১৫ শুরকপা মিনিটতা ক্লাসাগী বিক্রমজিৎনা টিমদুগী মঙাশুবা গোল চনখি হায়খিবা অদু কে পি এস সি ককচিংগী বিক্রমজিৎনা চনখি হায়গদবনি।*

*হয়েং কে পি এস সি ককচিং অমসুং নেরোকা শঙাকফম অনীনা শান্নগদৌরিবা মেচ অসি থোইদোক হেন্দোক্লা য়াম্না নুংঙাইবা মেচ অমা ওইগদৌরিবনি। চথরিবা দি এস এ ত্রোফি অসিদা নেরোকা শঙাকফম অমসুং কে পি এস সি ককচিং অমুক্তা ফাইনেল চঙখিদ্রিবা টিম ঙাক্তনি। ফাইনেল মেচ অসি হয়েং ইমেজ টি ভিনা লাইভ টেলিকাষ্ট তৌদুনা মীয়ামদা উহনগনি হায়রি।*




HL-B/3004/20

# সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ ঃ অৱাং খুনৌ য়ুঠ দিভলপমেন্ট এসোসিএশন (এ ৱাই দি এ) অৱাং খুনৌ ময়ায় লৈকায়না শিন্দুনা এসোসিএশন অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ভিজেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেচতা দব্লিয়ু এস সি ঙাইরাংবম অমসুং এফ সি পুখ্রম্বম মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেচ অনীনা দ্রো ওইখ্রে।

তেঙান তেঙানবা টিম ২৪ না গ্রুপ ৮ দা শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অয়ূক্তা শান্নখিবা অহানবা মেচতা দব্লিয়ু এস সি ঙাইরাংবম টিম এনা ৱাই এস দব্লিয়ু এ উংলৌ গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। অনীশুবা মেচতা হেমন্তা এফ সি চজিং অমসুং পি এ দি এ পাৎশোই গোল ২-২ দা দ্রো ওইখ্রে ঙসি নুংথিল শান্নখিবা অহানবা মেচতা এফ সি পুখ্রম্বমনা এ কে এস ও খুরখুল গোল ৫-৩ দা মায়থীবা পীখ্রে। নুংথিলগী অনীশুবা মেচতা এল ৱাই দি সি লুক্সে অমসুং এ ৱাই দি এ অৱাং খুনৌ টিম বি গোল ২-২ দা দ্রো ওইখ্রে।

হয়েংগী অহানবা মেচ অয়ূক পুং ৭ তা অচানবিগৈ এফ সি অমসুং টি ৱাই সিগা, অনীশুবা মেচ অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা পি টি আর সি অমসুং এস সি কেগা, অহুমশুবা মেচ নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা পাইওনর অমসুং এ ৱাই দি এ টিম এগা, মরিশুবা মেচ নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা ৱাই দব্লিয়ু সি অমসুং ৱাই এ সিগা শান্নরগনি।

# অহানবা ষ্টেট লেভেল এস এস দব্লিয়ু ৱাই সি ত্রোফি

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ ঃ

ৱাঙু শন্দংখোং সোসিএল ৱেলফ্যের য়ুঠ ক্লব (এস এস দব্লিয়ু ৱাই সি) শন্দংখোংনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল এস এস দব্লিয়ু ৱাই সি ত্রোফি ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা বি কে দি সি টিম বি বোরায়াংবিনা দব্লিয়ু পি সি ৱাঙু অহল্লুপ গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা বি কে দি সি টিম বিগী অহানবা গোল দরুটনা মেচকী ১২ শুবা মিনিটতা অদুগা রহিমনা টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৩৯ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা দব্লিয়ু পি সি ৱাঙু অহল্লুপকী নামুনা মেচকী ৪৬ শুবা মিনিটতা চনখি।

অয়ুক্তা শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা ট্যুদেক ৱাঙু তেরানা বি কে দি সি টিম সি বোরায়াংবী গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা ট্যুদেক ৱাঙু তেরাগী অহানবা গোল প্রবিন্না মেচকী ১৪ শুবা মিনিটতা অদুগা টোনিনা টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৪৫ শুবা মিনিটতা চনখি। অহুমশুবা মেচতা এল ৱাই এ ৱাঙু লাইফমনা সি টি কে শন্দংখোং গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা এল ৱাই এ ৱাঙু লাইফমগী গোলশিং অদু ইবোচৌবনা গোল অনী মেচকী ২ শুবা অমসুং ১৬ শুবা মিনিটতা চনখি। গৌরোনা গোল অমা মেচকী ১৫ শুবা মিনিটতা অদুগা ইনাওনা গোল অমা মেচকী ৩০ শুবা মিনিটতা চনখি।

# তোনস্না মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ ঃ য়াইরিপোক গ্যাস সার্ভিসকী স্পোন্সর মখাদা বিষ্ণুনহা য়ুথ ফেদরেশন য়াইরিপোক (বি ৱাই এফ ৱাই) না শিন্দুনা চথরিবা অহানবা লেট ওইনাম ওংবী তোনস্না দেবী সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা সভেন লকি ষ্টার তেকচমনা ৱাই দি এফ এ অংথা গোল ৪-৩ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা সভেন লকি ষ্টার তেকচমগী অহানবা অমসুং অনীশুবা গোল সোনামনিনা মেচকী ৬ অমসুং ২৬ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা গোল মোধুমঙ্গলনা মেচকী অহানবা হাফকী অরোইবা মীৎকুপ্তা অমদি মেচকী ২৮ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ মায়থীহৌরবা ৱাই দি এফ এ অংথাগী অহানবা গোল ওলেন্না মেচকী ২৯ শুবা মিনিটতা চনখি। বিপিন্না টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৪৬ শুবা মিনিটতা অদুগা বিনন্না টিমদুগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৪৮ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নগদবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ নোং চুরকপা মরম্না মেচ শান্নখিদ্রে। মেচ অসি থা অসিগী ২১ দা ওইনা শান্নরগনি হায়রি।


# চন্দ্রেশ্বর মেমোরিএল ষ্টেট ওপন সভেন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ ঃ

লসাল লৈমপোকপম খুনফম্না শিন্দুনা লৈমপোকপমদা লৈবা লসাল গ্রাউন্দদা চথরিবা ২১ শুবা লসাল স্পোর্টস মীট ২০১৬ এন চন্দ্রেশ্বর মেমোরিএল ওপন সভেন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি অয়ূক্তা শান্নখিবা মেচতা শঞ্জেনবম এফ সিনা বি আর সি বমদিয়ার গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। শঞ্জেনবম এফ সিগী মায় পাকপগী গোল অদু টি ঐচ কৃষ্ণনা মেচকী ৩২ শুবা মিনিটতা চনখি।

অয়ূক্তা শান্নগদবা অনীশুবা মেচতা আই জি এ লৈমপোকপম লাক্তবদগী ইবুধৌ পাখংবা এফ সিনা ৱর্ক ওভর ফংখ্রে। নুংথিলদা শান্নখিবা অহানবা মেচতা য়ঙ বোইজ তাকয়েল অমসুং জি এস এফ সি কৈশাম্পাৎ গোল ৪-৪ দা দ্রো ওইখ্রে।

নুংথিলদা শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা বোস য়ুনাইটেদ লৌরেম্বমনা কে ৱাই দি ও কৈনৌ গোল ৫-২ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা বোস য়ুনাইটেদকী গোলশিং অদু ভান্দোনানা গোল অহুম চনখি। সুভাসনা গোল অনী চনখি। কে ৱাই বি ও কৈনৌগী গোল অনী অদু সবিরখান অমসুং এন নরেসনা চনখি।





HL-B/2918/4/2-20/3(alt.)




HL-B/2986/1-20 March




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com